# বি আর অম্বেদকরবু মমাঙগী লৈঙাকশিংনা হৌজিক ওইরিবা লৈঙাক অসিনা ইকায় খূম্নরিবা অসিগুম্না ইকায় খুম্নবিখিদে ঃ *নরেন্দ্র মোদি*



***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৪ ঃ***
দলিটশিংনা লৈবাক শিন-থুংনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা নুমিৎ নীনিগী মতূংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মখোয়গী থৌশিল কয়া চথদুনা লাক্লি।

দলিট কাঙলূপকী শিংথানিঙাই ওইরবা লুচিংবা বি আর অম্বেদকরবু লৈঙাক অসিনা ইকায় খূম্নরিবা অসিগুম্না মমাঙগী লৈঙাকশিংনা ইকায় খূম্নবিখিদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি আর অম্বেদকর ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন শেম্বদা শীংথানিঙাই ওইবা থৌদাং লৌখিবা মীওইনি। মহাক্কীদমক অচৌবা ৱাফম অমা লৈফম থোকই হায়খি।

অলিপুর (২৬) রোদতা লৈবা অম্বেদকরনা লৈখিদবা মফম অদু এপ্রিল ১৩ দা লৈবাক অসিদা কখোক্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অমদুগী মপোক কুমওন থৌরমদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

ভারত বন্দনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩ শিহনখ্রে। অদুগা মীওই ১০০ হেনবগা অশোক অপন নংখ্রে। ফিভম অসিদা অম্বেদকরগী মিংদা রাজনিটিগী খুদোংচাবা লৌননবা হোৎনরকপা কয়া লৈরি। লৈঙাক অসিনা অম্বেদকর ইন্টর্নেসনেল সেন্টর শেমগৎ শাগৎপা মপুঙ ফানা লোয়শিল্লক্লে।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অটন বিহারি বাজ পায়না পায়খৎলম্বা প্রোজেক্টশিং লোয়শিন্নবা হোৎনগনি। মমাঙগী কংগ্রেস লৈঙাক্লা হৌখিবা চহী কয়া অসিদা প্রোজেক্ট কয়া পন্থদুনা লৈহল্লি হায়খি।

সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর লাকখিবা মতূং দলিটশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়, সেদুন কাস/ সেদুন ত্রাইবশিংদা মীওৎ মীনৈ চথবা লৈরিবা কাঙলোনশিংবু লান্না শীজিন্নবদগী কনগদবনি।

দলিটশিংনা অদুগুম্বা কাঙলোন অদুদা য়ানশিল্লকপা ওইনা উরি। কোর্টনা পীখিবা য়াথং অদুগী মতূংদা লৈঙাক অসিনা কনাগুম্বা লনাই মীওইশিংবু ঙাক শেন্নবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক দলিটশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপনা মরম ওইরগা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মীওই ১১ গী পুন্সি মাঙখ্রে। অদুগা মীওই ১০০ হেনবগা অশোক-অপন নংখ্রে।

কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা হৌজিক দলিট অমসুং ত্রাইবেলশিংনা মখোয়গী মথক্তা মীওৎ মীনৈ চথবগী মতাংদা চঙশিল্লিবা খোঙজং অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তে হায়না মরাল শিখিবা লৈখ্রে হায়রি।

## চহীসিগী ওইনা কুমগী নোংজু মহৌশাগী ওইবা চাংদা লৈগনি

***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৪ ঃ***
চৎলিবা চহী ইং ২০১৮ অসিদা মমাঙ চহীদা ওইখিবা অমদি মহৌশাগী ওইবা কুমগী নোংজুগী চাং অদুম্মক লৈগনি হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইভেট ৱেদর ফোর কাষ্টিং এজেন্সিনা ঙসি ফোঙদোরক্লি।

চৎলিবা চহী অসিদা লৌউ-শিংউগী লমদা হেন্না ফগৎহনবগা লোয়ননা শেন-থুমগী ফিভমসু ফগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি। চহী খুদিংগী ওইনা লৈবাক অসিগী নোংজু জুন থাদগী হৌবনি।

হৌখিবা চহী ৫০ রোম অসিদা লৈবাক অসিদা চুগদবা চপ চাবা নোংজুগী চাংদগী হন্থদুনা চাদা ৮৯ খক্তবক ওইদুনা লাকখি। নাকল অমরোমদা ইন্দিয়ান ষ্টেট মেটেরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়, চৎলিবা চহী অসিগী ওইনা কুমগী নোং চুবগী মতম চৎলিবা এপ্রিল থা অসিগী ময়াই চল্লকদগী হৌগনি হায়না ফোঙদোরক্লি। পূন্না য়েংবা ফিভম অমদা লৈবাক অসিদা মহৌশাগুম কুমগী নোং চুবা য়াই হায়রি।

## এন সি ই আর টিগী লাইরিকশিং তঙাই ফন্দবা ওইহল্লিবা করিগীনো

***নৈনিতাল, এপ্রিল ৪ ঃ***
সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসনগী স্কুলশিংদা এন সি ই আর টি গী লাইরিকশিং তঙাই ফন্দবা অমা ওইহল্লিবা করিগীনো। হীরম অদুগী মতাংদা এফিদেভিট অমা থাঙ্গৎলক্তুনা ময়েং শেংবা ৱাফম খঙহন্নবা উত্তরখন হায়কোর্টনা চীফ সেক্রেটরীদা খঙহনখ্রে।

প্রাইভেট স্কুল, স্কুল ট্রষ্ট, স্কুল এসোসিয়েন অমসুং বুক পব্লিসরশিংনা থাঙ্গলিকখিবা ৱাকৎ অমগী মতাংদা উত্তরখন হায়কোর্টনা সি বি এস ই গী মখাদা লৈবা লৈঙাক্লা চলাইবা স্কুলশিংদা এন সি ই আর টিগীলাইরিকশিং তঙাই ফদবা ওইহনবগী মতাংদা ৱাফম অদু খঙহনখিবনি। জষ্টিস শুদানশু ধুলিয়াগী বেঞ্চ অমনা ৱাহং অদু এপ্রিল ১১ ফাওবগী মনুংদা চীফ সেক্রেটরীনা খঙহল্লকদবনি। মসিগী মতূংদা মখা তাবা হিয়ারিংগী মতম লেপকনি হায়রি।

রিটপিটিসন অদুনা পল্লকখিবদা এন সি ই আর টি গী লাইরিক কয়া য়াম্না নম্লবগে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী তঙাই ফদবা লাইরিকশিং পীবা ঙম্লগদ্রা হায়বা ৱাহংসু হংলক্লি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না লৈবাক অসিগী ওজাশিংদা ত্রেনিং পীবা মতমদা এন সি ই আর টি গী লাইরিকশিং তঙায় ফদবা অমা ওইহল্লি। এন সি ই আর টিনা ফোঙবা লাইরিকশিং আই সি এস সি গী কারিকুলমদা তঙাই ফদবা অমা ওইহনবা লৈত্রি। চৈরকশিদা করিগীদমক এন সি ই আর টি গী মীওইশিং তঙাই ফদবা ওইহল্লিবনো হায়বা ৱাহংসু হংলক্লি।

## লৈঙাক্লা ফেক ন্যুজ য়েংশিন্নবা হোৎনরকপদা অকায়বা লৈতে ঃ *প্রেস কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া*



***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৪ ঃ***
লৈঙাক্লা ফেক ন্যুজ য়েংশিন্নবা পায়খৎলকপদা অরানবা লৈতে। অদুম ওইনমক মনীং মখা তম্বা ওথোরিটি অমনা কদায় ফাওবা চুম্লিবা নৎত্রগা লাল্লিবা হায়বদু য়েংশিনহনগদবনি হায়না প্রেস কাউন্সি ওফ ইন্দিয়া (পি সি আই) না ফোঙদোকখ্রে।

ফেক ন্যুজগী মতাংদা ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রিনা পুথোরকখিবা গ্যাইট লাইন নৎত্রগা ওর্দর অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ককথৎখিবা মতূং পি সি আই না ফোঙদোরকখিবনি।

পি সি আই গী চিয়ার্মেন থবক্তগী পোত্থারবা জষ্টিস সি কে প্রসাদনা সাইল তৌদুনা থাদোরকখিবা চেরোলগী মতূং ইন্না ফেক ন্যুজনি হায়বা অদু চপ চানা খঙদোকপা অমদি মীওই অমত্তনা অরানবা পাউ ইবা য়াবগী হক লৈতে। ফেক ন্যুজ হায়বসি মালেমগী ওইনা নুংনাংনিঙাই ওইবা ফিভম অমদা লাক্লবনি। অদুগুম্বা পাউশিং অদু লৈঙাক্লা করিগুম্বা য়েংশিনবা পান্লবদি মদুদা অরানবা অমত্তা লৈতে। লোয়ননা মনিং মখা তম্বা কাঙবু অমনা য়েংশিনবগী মথৌ তাই। পাউ অদু কদায় ফাওবা চুম্লবগে নৎত্রগা কনাগুম্বা অমদা অতম্লনা মরাল শিরিবনো হায়বদু য়েংশিনবগী তঙাই ফদবা লৈ।

পি সি আই না হায়, ফেক ন্যুজ হায়বা অদু শন্দোক্লিবা পাউ, দটা অমসুং রিপোর্ট অদু মপুঙ ফানা লাল্লে হায়বনি। অদুম ওইনমক ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্ট্রিনা পুথোকখিবা ওর্দর অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ব্রিদ্রো তৌখ্রে।

পুথোক্লম্বা ওর্দর অদুগী মতূং ইন্না অদুগুম্বা পাউ ইরিবা পাউমীশিং অদুগী এক্রিদিটেসন কক্কনি হায়বা ৱাফম য়াওরিবনি। প্রিন্ট নৎত্রগা ইলেক্ত্রোনিক মেদিয়াদা অরানবা পাউ ফোঙলক্লবদি থা তরুক এক্রিদিটেসন স্পেন তৌগনি। মখা তানা অরানবা তৌরক্লবদি চহী ১ স্পেন তৌগনি হায়বা য়াওরি। করিগুম্বা অহুম্লক শুবা ওইনা অরানবা পাউ ফোঙলক্লবদি এক্রিদিটেসন মপুঙ ফানা ককথৎকনি হায়না মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

ৱাফম অদুদা ওপোজিসন পাটি অমসুং মেদিয়াগী বোদি কয়ানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবনি। চৈরকসিদা পি সি আইনা হায়, কনাগুম্বা মীওই অমনা অরানবা পাউ শন্দোরক্লে হায়না ৱাকৎলক্লবদি প্রেস কাউন্সিল এক্ট অমসুং প্রেস কাউন্সিল (প্রোসিদ্যু ফোর ইনক্বারি) রিগুলেসনগী মতূং ইন্না থবক পায়খৎকনি হায়রি।

# কোষ্টারিকাগী নৌনা খল্লবা প্রদিদেন্ট কার্লোস অলভারাদোনা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নবগী অপান্বা ফোঙদোকখ্রে




***সেন জোজ, এপ্রিল ৪ ঃ***
কোষ্টারিকাগী হান্নগী মিনিষ্টর অমসুং নোভেল ইবা কার্লোস অলভারাদোনা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট মীখলদা চাউনা মায় পাকখ্রবা মতূং অমত্তা ওইনা পূন্না থবক তৌমীন্ননবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

লেফ কেন্দিদেটশিংনা অঙকপা মওংদা মায়োক্লবা পার্টিদগী চাউনা হেন্দুনা মায় পাকখ্রে।

লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট মীখলগা মরী লৈননা ভোট মশীং চাদা ৯৫ থিবদা কার্লোস অলভারাদোনা চাউনা মাঙজিন থাদুনা চৎপা ঙমখি। লুচিংবা অদুনা হায়, লৈবাক অসিবু অপূনবা অমা ওইনা লৈহন্নবগীদমক লৈঙাক শেম্বদা তোঙান তোঙানবা পার্টিশিং য়াওবিরক্লবা খঙহনখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা কার্লোস অলভারাদোনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বাশিংদগী থাজদবা মওংদা চাউনা হেন্দুনা চৎখি। সেন পেদ্রো সহরদা লুচিংবা অদুনা মায় পাক্লকপদা মহাকপু শৌগৎপা মীওই লীশিং কয়ানা খোঙজং অমা পাঙথোকখি হায়রি।

## নো কনফিদেন্স মোসন শৌগৎলক্লবা চন্দ্র বাবু নাইদুনা আর্বিন কেজ্রিৱাল উন্নখ্রে



***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৪ ঃ***
অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর এন চন্দ্রবাবু নাইদুনা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা মহাক্কা ফম মান্নবা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন কেজ্রিৱাল উন্নদুনা টি দি পি না সেন্টরগী মায়োক্তা থাঙ্গৎখিবা নো কনফিদেন্স মোসন শৌগৎলক্লবা ৱারী শান্নখ্রে।

টি দি পি গী লুচিংবা অদুনা ৱারী শান্নবা অদুদা ফোঙদোকখিবদা স্পিপসিয়েল কেতেগোরি ষ্টেতসকী মতাংদসু খন্নখি। লোয়ননা সেন্টরনা চথরিবা চুমদবা থৌওংশিংগী মতাংদসু ৱারী শান্নখি হায়রি।

দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন কেজ্রিৱালনা হায়, মহাক্কী পার্টিনা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্তা টেলুগু দেসম পার্টি (টি দি পি) না চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা মতেঙ পাঙগনি। দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টরনা টি দি পি গী খোঙজংদা মতেঙ পাঙলগনি হায়বা ৱাফম অদু পার্টি অদুগী লুচিংবা সি এম রামেসনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙ থাদা টেলিগু দেসম পার্টিনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা নেসনেল দিমোক্রেটিক এলায়েন্সতগী তোক্লে হায়না লাওথোকখিবনি। লোয়ননা নাইদুগী পার্টিনা নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্কী মায়োক্তা নো কনফিদেন্স মোসন থাঙ্গৎলকখিবনি হায়রি।

চন্দ্রবাবু নাইদুনা হৌজিক তোঙান তোঙানবা পার্টি কয়াগী লুচিংবশিং উন্নবগী থবক চথরি। লোক সভাদা আর্ম আদমি পার্টিগী মেম্বর মরি লৈরি। এ এ পি গী লুচিংবশিং উন্নবতা নত্তনা চন্দ্রবাবু নাইদুনা কংগ্রেস, সমাজৱাদি পার্টি, বহুজন সমাজ পার্টি, এ আই এ দি এম কে, দি এম কে অমসুং শিব সেনাগী লুচিংবশিং উন্নদুনা নো কনফিদেন্স মোসন শৌগৎপীরক্লবা ৱারী শান্নখ্রে হায়রি।

## চোক্লেট হুরানবগী মরাল শীখিবা নুপীমচা অমা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্লে

***গুৱাহাটি, এপ্রিল ৪ ঃ***
গুৱাহাটিগী পান্দু এরিয়াদা লৈবা দুকান ফম্বা মীওই অমনা কিন্দর জয় চোক্লেট হুরাললি হায়না মরাল শীখিবা চহী ১০ খক্তা ঙাইরিবা নুপীমচা অমা মথন্তা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্লে।

থম্মোয় শোক্লিঙাই ওইরবা থৌদোক অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা থোকখিবনি। দুকান ফম্বা মীওই অদুনা নুপীমচা অদুনা ইমুং মনুংগা লোয়ননা লৈরিবা য়ূম্বুদা নুপীমচা অদুনা চোক্লেট হুরানখি হায়না ৱাকৎখি।

য়ূম্বু অদুনা নুপীমচা অদুগী মমাদা ৱাফম অদু খঙহনগে হায়না ফোঙদোরকখি। নুপীমচা অদুগী অপোকপী মমা অদু মনাক নকপদা লৈবা য়ূমশিংদা থবক ইনখাং শুবগী থবক তৌবনি। মদুনা মরম ওইরগা নুপীমচা অদুনা কিবদগী হকচিনবা ফিরেপ অদু লৌখিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকখিবদা দুকান ফম্বা মীওই অদুনা অঙাং নুপীমচা অদুদা খুপাক্লা থাদুনা ফু-চৈবগী থবক চথখি হায়না মরাল শীরক্লি। চহী ১০ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অদুনা করিগীদমক অদুক হাকচিনবা ফিরেপ অদু লৌরিবনো হায়বদু ৱাহং অমা ওইরি। থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা থিগৎপা হৌখ্রে হায়রি।

# রাজ্য সভাগী মীফম হঞ্জিন-হঞ্জিন য়ৈথোকখ্রে মীফম চথবা য়াহন্দবা হায়বসি দিমোক্রেসিবু হাৎপনি ঃ *ভেঙ্কয়া নাইদু*

***ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৪ ঃ***
রাজ্য সভাগী মীফম হঞ্জিন-হঞ্জিন য়ৈথোকখ্রবা মতূং ঙসিসু পুং ২ ফাওবা সভাগী থবক থৌরম অমত্তা পায়খৎপা য়াদবদগী য়ৈথোকখি। কংগ্রেসনা লুচিংবা ওপোজিসন পার্টিনা সেদুন কাষ্ট/ সেদুন ত্রাইব এত্রোসিটিষ্ট এক্টকী মতাংদা সভা ময়াইদা চঙশিল্লক্তুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখি।

চিয়ার্মেন এম ভেঙ্কয়া নাইদুনা সভাগী মীফম চথবা য়াহন্দবা অমসুং হাউসকী থবক থৌরম কয়া মার্চ ৫ দগী চথবা য়াদনা লাক্লিবা মওং অদু দিমোক্রেসিবু খোঙ্গাউনবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নৌনা সভাগী মেম্বর খল্লক্লবা মীওই ১২ ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোকখ্রবা মতূং ওপোজিসনগী মেম্বর কয়ানা সভা ময়াইদা চঙশিল্লক্তুনা প্লে কার্দ কয়া উৎতুনা খোল্লাউ কয়া লাওখি। কংগ্রেস অমসুং বি এস পি গী মেম্বরশিংনা সেদুন কাষ্ট অমসুং সেদুন ত্রাইব (প্রিভেন্সন ওফ এত্রোসিটি) এক্টকী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা সভা ময়াইদা চঙশিন্দুনা খোঙজং চঙশিল্লকখি।

তামিলগী পার্টিশিং দি এম কে অমসুং এ আই এ দি এম কে না সভা ময়াইদা চঙশিল্লক্তুনা কবেরি তুরেল ঈশিং য়েন্নবগী ৱাফম চপ চানা লেপথোক্লবা তকশিল্লকখি। কবেরি তুরেলগী ঈশিং তামিল নাদু অমসুং কর্নটাকাগী মরক্তা য়েন্থোক্লবগী ৱাফম কয়া লৈরি।

কবেরি ৱার্টর মেনেজমেন্ট বোর্দ অমা শেমগৎনবা দিমান্দ তৌখি। টি দি পি অমসুং কে ভি পি গী মেম্বর রামা চন্দ্র রাওনা প্লে কার্দ পায়দুনা অন্ধ্র প্রদেশতা স্পিপসিয়েল ষ্টেতস পীননবা খোঙজং চঙশিল্লকখি। কংগ্রেস অমসুং বি এস পি গী মেম্বরশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি দলিটশিংগী মায়োক্তা লৈবা মীওইনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা সভা ময়াইদা চঙশিল্লক্তুনা দলিটশিংগী মায়োক্তা লৈবা লৈঙাক পামদ্রে হায়না খোঙজং চঙশিনখি।

পার্লিয়ামেন্টকী মীফম মথং মথং চথবা য়াদনা লৈরকখিবগী মতাংদা ভেঙ্কয়া নাইদুনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। ওইরিবা ফিভম অসি দিমোক্রেসিবু শীংনবা অমনি। সভা অদুনা এন্টি করপসন বিল পাস তৌগদবা লৈরি। মরম অদুনা মেম্বরশিংনা মশা মশাগী সিটতা হঞ্জিন্নবা হায়জখি। নুমিৎ খুদিংগী সভাদা মশক থিহনবা ফিভম কয়া মীয়ামদা উহনবা পাম্লিবরা। খোঙজং চঙশিনবা অদুনা মীফম চথবা য়াহন্দবা অসিনা মরম ওইরগা দিমোক্রেসিগী মশক থিহল্লি।

সভাগী মরু ওইবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা ঙমদবতা নত্তনা বিল কয়া পাস তৌবা ঙমদ্রি। মীয়াম্না চপ চাবা লেজিস্লেসন অমা লৈহনবা পাম্লি। ওইরিবা ফিভম অসিনা লৈবাক্কী ওইবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপদা খুরৌ চেনহলবদি পামদে হায়রি।

নাইদুনা হায়, হৌজিক ৱাথোক কয়া লৈরি। মদুগী মনুংদা বেঙ্ককিং স্কাম, কবেরি ৱার্টর দিসপ্যুট, অন্ধ্র প্রদেশ স্পিপসিয়েল পেকেজ অমসুং দলিট ইশুশিং লোয়ননা কাশ্মীরগী ওইবা ৱাফমশিং অসিনি। মদু সভানা কূপ্না খন্নবা মথৌ তাই। অদুম ওইনমক লাইবক থিবদি হীরমশিং অদু খন্ননবগী খুদোংচাবা ফংদ্রে।

লৈঙাক্লা খন্নবা পাম্লবসু ওপোজিসন পার্টিনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লকপনা মরম ওইরগা খন্নবা য়াদবা ফিভম অমদা লৈরি। ওইরিবা ফিভম অসি মীয়াম্না খাঙবা ঙম্লোইদবা অমনি। লোয়ননা দিমোক্রেসিবু হাৎননবা হোৎনবনি হায়রি।



# GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 22/02/18
Valid : 21/02/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**Lambodara Indane Service**
Booking : 15/03/18
Valid : 13/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Imphal LPG Service**
Booking : 23/02/18
Sl. No. 25700
Valid : 01/12/17
Stk : 650/19kg 180
Delivery at Heinoupok Godown

**Hrangchal Gas**
Booking : 28/02/18
Valid : 26/02/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 15/02/18
Valid : 23/01/18
Stk : 306/19kg 50
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**M M Gas**
Booking : 13/02/18
Valid : 08/02/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 762.50/-

**B D Gas, Chandel**
Booking : 19/02/18
Valid : 09/02/18
Stk : 288/19kg 12
Time : 10.00 to 01.00 p.m

**Heingang Gas**
Valid : 21/02/18 to 30/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 13/02/18
Valid : 02/02/18
Sl. No. 209550
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**RBD Gas**
Booking : 07/02/18
Valid : 28/01/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 15/02/18
Valid : 10/02/18
Sl. No. 1861
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Nongpok Sekmai Gas**
Booking : 13/02/18
Valid : 02/02/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**TDK Gas, Sekmai**
Booking : 16/02/18
Valid : 09/02/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 16/02/18
Valid : 06/02/18
Sl. No. 5640
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 08/02/18
Valid : 01/02/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Athokpam Indane**
Booking : 05/02/18
Valid : 01/02/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**সনা-সুদোকু -১১৩০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 1 | 9 | 7 | 8 | 2 | 6 | 5 | 3 |
| 2 | 8 | 7 | 5 | 3 | 6 | 4 | 9 | 1 |
| 6 | 5 | 3 | 1 | 9 | 4 | 8 | 7 | 2 |
| 5 | 9 | 6 | 3 | 4 | 7 | 2 | 1 | 8 |
| 3 | 4 | 8 | 2 | 1 | 5 | 9 | 6 | 7 |
| 1 | 7 | 2 | 9 | 6 | 8 | 5 | 3 | 4 |
| 7 | 6 | 5 | 8 | 2 | 1 | 3 | 4 | 9 |
| 8 | 3 | 1 | 4 | 5 | 9 | 7 | 2 | 6 |
| 9 | 2 | 4 | 6 | 7 | 3 | 1 | 8 | 5 |

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1131**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | | | | | | | | 4 |
| | | | 9 | 3 | | 6 | | |
| | | | 5 | | | 8 | 7 | |
| | | 3 | 2 | | | 7 | 8 | |
| 2 | | | | | 1 | | | 5 |
| 5 | | | | | 8 | | | |
| | | | | | 7 | | 1 | 2 |
| | 3 | 5 | | | | 4 | | |
| | | 1 | | 6 | | | | 8 |